দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি সেনাপতিনা শীন্দুনা ক্রিএটিং হোপ থ্রু এক্সন হায়বা থীমদা সী এম ও সেনাপতিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দে ২০২১গী থৌরম

লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর এসেম্ব্লী মীখলদা ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)কী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ৱাহেংবম রোজিৎ এলিয়স বুল্লেটকী মীখলগা মরী লৈনবা হাউস কেম্প্যেন হৌদোকখিবা

মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ত্রান্সজেন্দরশিংগী নেসনল পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌখ্রবা ত্রান্সজেন্দর অনীদা বিষ্ণুপুরগী দি সী কৃষ্ণকুমারনা ত্রান্সজেন্দর সর্টিফিকেট খুৎশিন্নখিবা

এ আর দি ও, কৈরাও এ সীনা শীন্দুনা কৈরাও মক্তিং মখা লৈকায়দা লৈবা ওর্গানইজেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অপ্না দল (এস) কী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এম আই খানবু তরাম্না ওকপগী থৌরম

WELCOME
RECEPTION FUNCTION
M.I. Khan

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএন এস): ৩৫-খাঙবোক এ সীগী চাউখৎ থৌরাং অমদি লৈতলায়রশিংদা ঙমজবা মতেং পীবগী মখা চথরকপগী শরুক অমা ওইনা এ সী অসিগী খাঙবোক পার্ট ৩, লমদিং খুমন্থেম লৈকায় অমদি ৱাংবল হৈরুথোংগী তোঙান তোঙানবা য়ুমথোঙ ১৫ রোমদা সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোর মঙাং, ষ্টেট এগজিকুটিভ মেম্বর বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা য়ুমকৈ শেমজিনবদা মতেং ওইননবা হায়দুনা য়ুম কুপ্নবা জিন্তঘশিং মতেং পাংখ্রে।

মতেং পাংবসিগা মরী লৈননা মেঙ্গোর মঙাংনা হায়খিবদা, মীয়াম্না হায়রকপগী মতুংইন্না খাঙবোক এ সীগী খরা শোথরবা ইমুংশিং অসিদা ঙমজবা মতেং ওইনা য়ুম শেমজিনবদা চঙবা জিন্তঘ/তিন খরা মতেং তৌজবনি। মখা তানসু এ সী অসিগী য়াইফনবা চাউখৎ মায়কৈরোমদা পুরক্লবা হোৎনবদা মাঙজিল থানা চৎনবা শেম শারে হায়খি। মীয়াম্নসু পূক্নিংদা অপেনবা পোক্লদুনা মেঙ্গোর মঙাংনা তৌরুবা থবক খূদিংদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না থৌজাল পীরক্লি।

থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএন এস): এম এস এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মনুং চন্না লৈরিবা খাঙবোক ব্রাঞ্চকী (২০২১-২২) গী ওইনা থৌপুগদবশিং ঙসি এম এস এফ হেদ ক্বার্টরগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা খনখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এস এফকী এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি খাঙেম্বম তাঞ্জানিয়া, দ্রগ এফেয়র্স সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাস অমসুং এসিষ্টেন্ট দ্রগ এফেয়র্স সেক্রেটরি কে ঐচ মনোরঞ্জনসু শরুক য়াখি। এম এস এফ খাঙবোক ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি লাইশ্রম দেবাকানন্দনা প্রসিদেন্ট, লাইশ্রম সিতলনা ভাইস প্রসিদেন্ট, থোকচোম বিকাশনা জেনরেল সেক্রেটরি, লাইশ্রম প্রদিপকুমারনা জোইন্ট সেক্রেটরি, এলাংবম লেম্বনা ফাইনান্স সেক্রেটরি অমসুং সাইখোম প্রসান্তনা পব্লিসিটি সেক্রেটরিনি। অদুগা মোইরাংথেম সুনিল, লনচেনবা সাইখোম, সিতল এলাংবম, ফাইরম্বম নিশি, মেক্সি খুন্দ্রাকপম অমদি সাইখোম মালেমঙানবনা এগজিকুটিভ মেম্বরশিংনি হায়রি।

অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএন এস): তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অমদি নেসনল হায়ৱে ৩৭কী মনাক্তা লৈরিবা নুংকাও খুলদা মোবাইল নেটৱার্ক সর্ভিস প্রোভাইদরশিংনা নেটৱার্ক ফজনা ফংহনবীদবনা মরম ওইরগা মফম অসিগী মহৈরোয়শিংনা ওনলাইন ক্লাসতা শরুক য়াবা ঙমদবদা নত্তনা মীয়াম্না নেট বেঙ্কিং অমদি পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। খুল অসিদা লৈরিবা মোবাইল নেটৱার্ক সর্ভিস প্রোভাইদরশিংনা মোবাইলগী নেটৱার্ক ফজনা ফংহন্ননবা থবক পায়খৎতবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া অসি মায়োক্লরিবনি। অথুবা মতমদা মোবাইল নেটৱার্ক নীংথিনা ফংহনবীনবা মরী লৈনবা সর্ভিস প্রোভাইদরশিং অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈন্দগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না নুংকাও ভিলেজ চর্চকী সেক্রেটরি লুংসাং দাই কামৈনা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোরক্লি।

এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএন এস): আর কে মাইপাকসনা মেমোরিএল ট্রষ্টনা হ্যুমেন রাইটস, কম্যুনেল হার্মোনি, ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন, স্পোর্টস, আর্ট এন্দ কলচর, ফিল্মস অমসুং রুরেল রিপোর্টিংগী লমদা আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেল্লোশিপ ২০২১ পীননবা মণিপুরগী ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট অমদি কলমনিষ্টশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি। এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা মতমনা সেপ্টেম্বর ২৭নি। ফেল্লোশিপ অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ১১ দা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা খুৎশিন্নগনি হায়না ট্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টি ডা. টি ঐচ ইবোহনবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কঞ্জুমরশিংবু অৱাবা পীবীগনু : কঞ্জুমর্স ক্লব

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): এম এস পি দি সী এল অমদি এম এস পি সী এলদা থবক তৌরিবশিংগী এসোসিএসনশিংনা তরেৎশুবা পে পীগদবনি হায়না চঙশিল্লিবা খোঙজ ৎশিং অসিনা কঞ্জুমরশিংবু অৱাবা পীবীগনু হায়না কঞ্জুমর্স ক্লব মণিপুরগী মায়কৈন্দগী ফোঙদোরক্লি।

কঞ্জুমর্স ক্লব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি ফুলচান্দ শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তরেৎশুবা পে পীদ্রবদি মৈ য়াদবগী শেমদোক-শেমজিননচিংবা অমত্তা তৌররোই হায়রিবা অমদি কাউন্টরশিং ফাওবা থিংজিন্দুনা রিচার্জ হাপহন্দবা অসি মখা তানা তৌবীগনু। মসিনা ইলেক্ট্রিক কঞ্জুমরশিংদা অৱাবা কয়া পীরগনি। কঞ্জুমর রাইটশিংবু ভাইওলেট তৌবীগনু। কঞ্জুমর রাইটশিং ভাইওলেট তৌরবদি কঞ্জুমর প্রোটেক্সন এক্টকী মতুংইন্না চৈরাক ফংনিংঙাই ওই। মরম অসিনা তরেৎশুবা পে পীদবগী পীবীননবা হোৎনরিবা কাঙবুশিংনা য়ারগদি মৈ পীররোই, য়াদবা শেল্লরোই, রিচার্দ হাপ্লরোই হায়বসি অমুক হন্না হায়বীগনু। কঞ্জুমর ঐখোয়গা মৈ য়োল্লিবশিংগগা মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু ফনা থম্নবা হোৎনগদবনি। পেন্দবা খরগী কঞ্জুমরশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরোইদবনি।

কঞ্জুমরশিংদগী করম্বা মওংদা মৈগী শেলশিং লৌখৎলি হায়বা খঙগদবনি। মৈদি পীদনা কঞ্জুমরশিংদগী থাগী লৌগদবা রেন্টতি অদুম্মক লৌরি। মদুসু কঞ্জুমর রাইটশিং ভাইওলেট তৌবনি। খোঙজং চঙশিল্লিবশিংসু কঞ্জুমরনি হায়বা কাউরোইদবনি। ঙসিগী লৈঙাক অসিনসু চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চঙবীগদবনি। মখোয়না কঞ্জুমরশিংবু মৈ পীনি, পীরোই হায়দুনা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইতনবা থবক অমত্তা তৌহল্লোইদবনি। কঞ্জুমরশিংগী রাইটশিংবু ঙাক্লনবা হোৎনবা হায়বসি লৈঙাক পায়রিবশিংগী তঙাইফদবা থৌদাংনি।

লৈঙাক পায়রিবশিং অমদি তরেৎশুবা পে পীদ্রবদি কঞ্জুমরশিংগী রাইটপু মাঙহনগনি হায়না ফোংনা লাউরিবা অনীমক্লা অথুবদা য়াশিন্নদুনা কঞ্জুমরশিংগী রাইটপু ঈকায় খুম্নদ্রবদি কঞ্জুমর্স ক্লব মণিপুরনা ইলেক্ট্রিক কঞ্জুমরশিংগা লোয়নননা কঞ্জুমরশিংগী রাইট ফংননবা লোগী মতেং লৌরগনি। কনা কনাগুম্বা ৱাটর সপ্লায় য়াওনা কঞ্জুমরশিংগী সর্ভিস পীরিবা খূদিংমক্লসু মৈগী ৱাথোক অসিগুম্না তৌরোইদবনি। ঈশিং পীনি পীরোই, সর্ভিস পীনি পীরোই অমত্তা হায়বীগনু। কঞ্জুমরশিংগী রাইটপু মাঙহনবীগনু। কঞ্জুমরশিংগী রাইট মাঙহনবা হায়বসি কঞ্জুমর প্রোটেক্সন এক্ট ২০১৯গী মতুংইন্না চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়বা কাউবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম আই খানবু কৈরাও এ সীগী মীহুৎ ওইহন্ননবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌরগনি : এ আর দি ও

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর এসেম্ব্লী মীখলদা অপ্না দল (এস) কী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কৈরাও এ সীবু অনৌবা অওনবা, চাউখৎপা, তংদু-লৈতাবা এ সী অমা ওইননবা চহী কয়াগী মমাঙদগী কাঙলুপ-ফুরুপ খায়দনা হীরম কয়াদা হনবা লৈতনা হোৎনরকখিবা সোসল এক্টিভিষ্ট এম আই খানবু এ সী অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইহন্ননবা এ আর দি ওনা অঙম্বা থাক্তা থৌদাং লৌগনি হায়না ওল রাউন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এ আর দি ও) কৈরাও এ সীগী প্রসিদেন্ট পুখ্রিময়ুম জলালউদ্দিননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ওল রাউন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এ আর দি ও) কৈরাও এ সীনা শীন্দুনা হন্দক্তা অপ্না দল (এস)কী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইনা খল্লকখ্রবা এম আই খানবু কৈরাও মক্তিং মখা লৈকায়দা লৈবা এ আর দি ওগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা পুখ্রিময়ুম জলালউদ্দিননা ফোঙদোকখিবনি।

জলালউদ্দিননা মখা তানা হায়খি, কৈরাও এ সী অসি মিনি মণিপুর অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। এ সী অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ, কাউলপ ৬/৭ লোম লৈ। পাৎ, চীং অমসুং তুরেল মশীং শুনা লৈবা এ সী অমনি। এ সী অসিদা মতিক চাবা, মথৌনা লৈবা অমসুং কখোকপা হৈবা মীহুৎ অমা থাগৎপা মথৌ তাই। মরম অসিনা হীরম খূদিংমক্তা মনিং হল্লক্লিবা চাউখৎপগী মহুৎতা মনি কলচর অমদি পৱার কলচরনা শীজিল্লক্লিবা অসিদগী কলহৌননবা পান্দমদা এম আই খানবু এ সী অসিগী মীহুৎ ওইহন্ননবা হোৎনবা হায়না এ আর দি ওনা ৱারেপ লৌবনি। কৈরাও মক্তিংদা ভোটর লিশিং ৪ রোম লৈরি। মসিগী মতুংদা ভোটর অয়াম্বদি এম আই খানদা শৌগৎলে। মীখল অসিদা মায় পাক্লবগীদমক এ আর দি ওনা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি। ঙসিগী ওইনা মফম ১৩দা অপ্না দল (এস)কী ফিরাল চিংখৎকনি হায়নসু জলালউদ্দিননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা অপ্না দল (এস)কী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এম আইখাননা হায়খি, অপ্না দল (এস) অসি মণিপুরদা নৌনা শাফোঙল্লক্লবসু সেন্টরদা হৌজিক লৈরিবা এন দি এ লৈঙাক অসিগী পার্টনর অমনি। পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরিবা অনুপ্রিয়া পটেলসু কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরি। পার্টি অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মীশিং য়ামজ দবা, অশোনবা অমদি শোত্থনা লৈরিবা কাঙলুপ ফুরুপকী মীয়ামগী রাইট অদু মপুং ফানা ফংহন্ননবা হোৎনবনি। পার্টি অসি মণিপুরগুম্না শেল-থুমগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রিবা লমদম অসিদদি য়াম্না চুনগদবা পার্টি অমনি। লাক্লিবা মীখল অসিদা অপ্না দল (এস)কী একাউন্ট শুংশোয় শোয়দনা হাংদোক্তুনা লৈঙাক শেম্ব্দা শরুক য়াগনি। মীখল অসিগা মরী লৈননা পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অনুপ্রিয়া পটেল মণিপুরদা সেপ্টেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদা লাক্নুা মীখলগী কেম্প্যেন হৌদোক্লবা য়াই। পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অনুপ্রিয়া পটেলে অমসুং ষ্টেট প্রসিদেন্ট কেমনোরঞ্জনগী লীচিং মখাদা কৈরাও এ সীখকনক্তনা মণিপুরদা মশক নাইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা এ আর দি ওগী থৌমীশিং অমদি এম আই খানগী ইলেক্সন কম্মিটিগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই : কম্মিটি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): ময়াং ইম্ফাল কৈথেলদা এগ্রো মার্কেট কমপ্লেক্স শঙ্গাবগী থৌরমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ময়াং ইম্ফাল চরোইবুং মমাঙদা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ১৬তা মতমদুগী লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন এন্দ ট্রেনিং (দাইট) ইম্ফাল ৱেষ্ট শাননবগীদমক ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংলল্লিবা অসিগী মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা লৈতে হায়না হায়রম্বসি ময়াং ইম্ফালদা লৈরিবা সেক্সন খূদিংমক্কী অমদি দাইট ইম্ফাল ৱেষ্ট কন্সত্রক্সন দিমান্দ কম্মিটি, ময়াং ইম্ফালনা অঙকপা ফাওবগা লোয়নননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না দাইট ইম্ফাল ৱেষ্ট কন্সত্রক্সন দিমান্দ কম্মিটি, ময়াং ইম্ফালগী কনভেনর দিজেন্দ্রো মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দাইট সেন্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট অসিগী মতাংদা কম্মিটি অসিনা আর টি আইগী খুত্থাংদগী মরী লৈনবা চে-চাং খূদিংমক খোমজিন্দুনা থমজরি। অদুগা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমনা করিগুম্বা দোক্যুমেন্ট লৈতে হায়বীরম্বসি অরোনবা এজেন্দা অমা লৈরব্রা হায়না চিংনৈ। করিগুম্বা সেন্টর অসি শাবীবা তারবদি হান্নবা উরেপ-উয়ুং তমদুনা লৈরবা মফম অসিদা শাবীয়ু। অতোপ্পা মফমদা হোংবা শুকয়া য়ারোই হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা দেপ্যুটি স্পিকরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সঞ্জয় ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি)গী মরুওইবা মশা অমা ওইরিবা দলিট সেনা মণিপুরগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম সঞ্জয়বু এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। হিয়াংলম এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা পার্টি অসিদগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা সঞ্জয়বু পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবগী ওর্দর অদু ন্যু দেল্লীদা লৈবা লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি)গী নেসনল ওফিসতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা পার্টি অসিগী লুচিংবসু ওইরিবা য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টর ফোর ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজ ওইরিবা পাশুপতি কুমার পারাসনা খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পাশুপতি কুমার পারাসনা লাক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখল অসিদা পার্টি অসিনা শোয়দনা মায় পাকপা ঙম্নবা অখন্নবা কেন্দিদেটশিং থাদোক্তুনা লৈঙাক শেম্বা মতমদা পার্টি অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু সঞ্জয়দা পাউতাক পীরকখি। লোয়নননা ইলেক্সন অসিগী ভোট খোম্বা ওইনা মহাক্লা মণিপুরদা লাকপা মতমদসু ষ্টেট অসিদা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজগী লমদা পায়খৎপা য়াবা তোঙান তোঙানবশিংসু পায়খৎনবা হকথেংননা য়েংশিল্লমগনি হায়না থাজবা পীরকখি হায়রি। ওর্দর শীন্নবগী থৌরম অদুদা এল জে পিগী নেসনল সেক্রেটরি ইলভিস জোসেফ, এল জে পি মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট থাংখানগিন ঙাইতেসু শরুক য়াখি।

রোজিৎকী মীখলগী হাউস কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়না পান্নরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়নননা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পুথোক্লবা কেন্দিদেটশিংনা ইলেক্সন অসিবু মায় পাক্লবা ঙমজবী মওংদা ভোট খোম্নগী থবক হৌগৎনরক্লি। মসিগী মনুং চন্না জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)তগী ক্ষেত্রিগাও কন্সটিট্যুএন্সিদা নৌনা মীরেপ ওইগদৌরিবা ৱাহেংবম রোজিৎ এলিয়স বুল্লেটকীসু ইলেক্সন অসিগী হাউস কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে।

কেম্প্যেন অদু কেন্দিদেট অসিগী হোম পোল্লিং ওইরিবা পোরোম্পাৎ থৱাম্বাবা লৈকায় অমদি পোরোম্পাৎ মুস্লিমগী পোল্লিং ২দা চৎখিবনি। রোজিৎপু শৌগৎপা মীওই কয়াগা লোয়নননা চৎখিবা কেম্প্যেন অদুদা মীয়াম্নসু রোজিৎপু মায় পাক্লবা য়াইফ থৌজালশিং পীখি। ঙসিগী হাউস কেম্প্যেন অদুগী মতাংদা রোজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, অওনবা ক্ষেত্রিগাও কন্সটিট্যুএন্সি অমা পুরক্লবগী পান্দমদা চঙশিল্লিবা মহাক্কী কেম্প্যেন অসি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী লেমহৌরিবা পোল্লিং অতৈদসু চঙশিনখিগনি। মীয়াম্নসু কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী চহী ৫গী টর্ম অসিগী মীহুৎ খনবদা থম্মোয় শেংনা খনবীয়ু। ইলেক্সন অসিবু থেংনমিন্নগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংনসু ইলেক্সন অসিবু থেংনবদা মসল পৱার, মনি পৱারগী হৈনবী থাদোক্তুনা চাউখৎ থৌরাংদা মীৎয়েং থমদুনা ইলেক্সন অসি থেংনমিন্নসি। মসিনা ঙসি ক্ষেত্রিগাও কন্সটিট্যুএন্সিনা হীরম কয়াদা শোত্থরিবা অসি খরদা ওইরবসু মেনখৎপা ঙমগনি হায়খি।

অমরোমদা জে দি য়ুনা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা য়ামদ্রবদা এম এল এ ৬তগী তাদনা মায় পাক্লনবা সেন্টরগী লিদরশিংনা পীরকখিবা য়াথং অদুগী মতাংদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইনা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা শীন্নরক্লিবা থবকশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনদুনা ইলেক্সন মতুংদা ষ্টেট অসিদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা মতমদা পার্টি অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়খি।

সেনাপতিদা ৱর্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): মালেমগী অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম সেনাপতিদসু দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি, সেনাপতিনা শীন্দুনা ক্রিএটিং হোপ থ্রু এক্সন হায়বা থীমদা ৱর্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দে ২০২১গী থৌরম সী এম ও সেনাপতিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দি এম ঐচ পি সেনাপতিগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর ডা. ঔনিবা পিটরনা হায়খি, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীওই লাখ কয়া অমা সুইসাইদ তৌদুনা শিরি। মসিগী মনুংদা কয়া অমদি রিপোর্ট তৌরক্ত্রিবনি। চাউখৎলবা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা সুইসাইদ তৌবগী চাং অসি মিদল অমদি লো ইনকম ওইবা লৈবাকশিংদনা হেল্লি। সুইসাইদতগী ঙাকথোক্লনবা মীপুম খূদিংমক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই। মরম অসিনা খুন্নাই অমদগী সুইসাইদকী থৌদোকশিং থোকহন্দনবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্ননবগীদমক ৱর্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দেগী থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনি হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি সেনাপতিগী দিরেক্টর অমসুং সী এম ও সেনাপতি ডা. ফোক্রেহো ফোজেনা হায়খি, সুইসাইদ অসি পব্লিক হেল্থ প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না পীবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মীওই অমনা সুইসাইদ তৌবা মতমদা অতোপ্পা মীওই ২০ অমনা সুইসাইদ তৌনবা হোৎনৈ। সুইসাইদ তৌবা অমসুং দিপ্রেসনগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা ৱার্ক ষ্ট্রেজ কা হেন্না লৈবা, ইন্টর পর্সনেল রিলেসন্সিপ ৱাৎপা অসিসু অমনি। মেন্টেল হেল্থ ফত্তনা কনাগুম্বা অমত্তা হকচাং ফনা লৈবা য়ারোই। য়ুমদবু ওইরো, লোকেল্লিটিদবু ওইরো, থবক শুফমদবু ওইরো সুইসাইদতগী ঙাকথোক্লনবা ঐখোয় খূদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ। মরম অসিনা সুইসাইদতগী ঙাকথোক্লনবা ঐখোয় খূদিংমক্লা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দি এম ঐচ পি সেনাপতিগী ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট পেভিন পাওলিনানসু সুইসাইদতগী ঙাকথোক্লনবা হোৎনবদা মীয়াম্না লৌবা য়াবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থমখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মেন্টেল হেল্থ প্রমোসনগী মতাংদা এৱেয়র্নেস পীবা, পোষ্টর কয়া সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পি ঐচ সীশিং, ঐচ দব্লিয়ু সীশিং অমদি ভিলেজ কম্যুনিটি সেন্টরশিংদা থেৎননবা মরী লৈনবশিংদা য়েন্থোকখি। থৌরমদুদা দি এল ওশিং, পি ঐচ সীশিংগী এম ও ইন-চার্জশিং অমদি অশা ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

ত্রান্সজেন্দর সর্টিফিকেট খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ত্রান্সজেন্দরশিংগী নেসনল পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌরক্লবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্রান্সজেন্দর অনীদা ঙসি রুল ৫ ত্রান্সজেন্দর পর্সন্স (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস) রুলস ২০২০ অমদি ত্রান্সজেন্দর পর্সন্স এক্ট, ২০১৯ সেক্সন ৬কী মখাদা দি সী বিষ্ণুপুর কৃষ্ণকুমারনা আইদেন্টিটি কার্দ অমদি সর্টিফিকেট খুশিন্নখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দি সীনা হায়খিবদা, ঙসি ত্রান্সজেন্দরশিংদা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি মপুং ফানা লৌগে হায়রবদি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা ত্রান্সজেন্দর খূদিংমক্লা নেসনল পোর্টেলে অসিদা রেজিষ্টর তৌদুনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং সবমিট তৌবীয়ু। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী সাইটতগী মসিগীদমক দেদিকেটেদ নোদেল ওফিসর ওইনা এ সী টু দি সী, এল বোবি এপোইন্ট তৌরে। দোক্যুমেন্টশিং ভেরিফাই তৌদুনা এপ্রুভ তৌরবা মতুং খুদোংচাবশিং চপ চানা ফংগনি। ত্রান্সজেন্দর কম্যুনিটিবু ইম্পৱার তৌবগী পান্দমদা মমাঙদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা থবক কয়া পাঙথোকখ্রে। পনবা য়াবদি, কোভিদ পেন্দমিক মনুংদা ত্রান্সজেন্দর ৩৫না লুপা ১৫০০ পীখিবগা লোয়নননা চেঙ, হৱাইনচিংবসু য়েন্থোকখ্রে। মসিদা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা গারিমা গ্রেহ স্কিম ইম্প্লিমেন্ট তৌবদসু সপোর্ট তৌই হায়খি। নেসনল পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌরক্লবা ত্রান্সজেন্দরদা পীরিবা সর্টিফিকেট অমদি আই দি কার্দ অসি মণিপুরদা নত্তনা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা অহানবনি হায়খি।

দি সী বিষ্ণুপুরগী চেম্বরদা সর্টিফিকেট য়েন্থোকপা অদুদা এ দি এম বিষ্ণুপুর ঐচ বোবি শর্ম্মা, এ সী টু দি সী এল বোবি অমদি দিষ্ট্রিক্ট মেনেজর (আই টি) ও প্রসান্তসু শরুক য়াখি।

আয়ুশকী হিদাকশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়নালাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা দিপার্টমেন্ট ওফ আয়ুশনা পীবা হিদাক-লাংথক একোনাইট-৩০, অর্সিনিকম এলবম-৩০ অমদি আয়ুশ-৬৪ হিদাকশিং অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (আই ঈ দি য়ু সী ও)না নোর্থ ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এন ঈ য়ু সী ও)গী মনুং চন্না লৈরিবা খুলশিং সেক্তা, লৌসাংখোং, পুংদোংবম, য়োরবুং, ইতম নুঙ্গৈই, খারাসোন অমদি চিংখু হায়রিবা খুলশিং অসিগী ক্লবশিং, মৈরা পায়বী অমদি অশাশিংগী খুত্থাংদা মীওই ১০০০ রোম্না শীজিন্ননবা হিদাকশিং ঙসি য়েন্থোকখ্রে হায়না আই ঈ দি য়ু সী ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পুয়াম ইঙোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিগী অসি থারগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা মীওই ১২৫০০ রোম্না শীজিন্নগদবা হিদাকশিং য়েন্থোকখ্রে। লোয়নননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয়না তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা লোয়নননা গভর্ণমেন্ট অসিনা থল্লিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়না মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নখি। খোঙচৎ অদুদা আই ঈ দি য়ু সী ওগী ভাইস প্রসিদেন্ট খ্বাইরাকপম ওলেন্দ্রো মৈতৈ, জেনরেল সেক্রেটরি তেনশুবম কলাচান, সেক্রেটরি পব্লিসিটি পুয়াম ইঙোচা খুমন, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন নিমাই, টি ঐচ নবা ভাইস প্রসিদেন্ট এন ঈ য়ু সী ও, কে পাকা কেসিয়র অমদি এল সঞ্জয় মৈতৈ, ৱাই ইবোমচা এদভাইজর ইষ্টর্ন ক্লবস দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ঈ সী দি ও)না শরুক য়াখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শক্লাইরবা অইবা রঘু লৈশাংথেম লৈখিদ্রে, খোরিরোলগী তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুরী লোলগী শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী রঘু লৈশাংথেম ঙসি লৈখিদ্রে। শক্লাইরবা অইবা অসিনা লৈখিদবদা খোরিরোলগী তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়া য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইরেম বিহারীনা থৌরম মপু ওইদুনা ফোরম অসিগী লাইফ মেম্বর ওইরম্বা মীয়াম্না শকখঙনরবা থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকায়দগী রঘু লৈশাংথেমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৈখিদবগা মরী লৈননা ওনলাইনগী খুত্থাংদা ফোরম অসিগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। রঘু লৈশাংথেম মণিপুরী সাহিত্যদা শৈরেং অমসুং অঙাংগী সাহিত্যদা মমিং লৈরবা অইবা অমনি। মহাক সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীনা পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ২০০৯ অমসুং বাল সাহিত্য পুরুস্কার ২০১৩ ফংলবা লৈবাকসিগী শক্লাইরবা অইবশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্লা মণিপুরী লোলবু য়োকখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্মী। মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যগী লমদা কথোকপগা লোয়নননা মহাক্লা লৌথিবা থৌদাং কয়াবু শকখঙবা ওইনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা সাহিত্য লূপশিংনসু মনা কয়া পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবনি। লোয়নননা দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী লাইফ মেম্বর অমা ওইনা ফোরম অসিবু চাউখৎননবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌবীরম্বা অইবা অসিনা লৈখিদবা অসি মণিপুরী সাহিত্য অমদি মণিপুরী খুন্নাইগী মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। মহাক্লা লৈখিদবদা ফোরম অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা মহাক্কী থৱায়না তাইবং মপুগী খুয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু ফোরমগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম নোতিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী খোরিরোলগী মমিং লৈরবা সাহিত্য একাদেমী মনা ফংখ্রবা অইবা রঘু লৈশাংথেমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা রাইটর্স ফোরম ইম্ফালনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম প্রিয়োকুমারনা থৌরম মপু ওইদুনা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবং মপুগী মফমদা থৌনিজখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, রঘু লৈশাংথেম কুমজা ১৯৫৯গী মার্চ ১দা থৌবাল লৈশাংথেমদা পোকখি। হৌজিক্লা থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকায়দা লৈবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ এক্সাইজ ওইরম্মী। মহাক্লা হিংলিঙৈদা শৈরেংগী লাইরিক ৯, অঙাংগী লাইরিক ৬ ফোঙলম্মী। মহাক্কী শৈরেংগী লাইরিক খুঙ্গংগী চিঠিদা কুমজা ২০০৯গী সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ অদুগা মহাক্কী অঙাংগী লাইরিক পাৎপানগী থোইবীদনা কুমজা ২০১৩গী বাল সাহিত্য পুরুস্কার পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা মণিপুরী খোরিরোলগী মমিং লৈরবা লূপ কয়াগীসু অচঙবা থৌমী ওইবীরম্মী। অসিগুম্লবা তাঙলবা অইবা অসিনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি মণিপুরী খোরিরোলগী ওইনদি মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। লোয়নননা ফোরম অসিনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী রঘু লৈশাংথেমনা ঙসি খঙহৌদনা লৈখিদবদা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা মীফম মপু ওইদুনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সোবিতা মোংজম, হান্নগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম, সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম অমদি ডা. উমাবতি অথোকপম, ডা. লৌরিয়াম শান্তনিনচিংবা ফোরমগী মরুওইবা লূপলোয় কয়ানা শরুক য়াখি। মহাক পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনসু থৌ পুরম্মী। রঘু লৈশাংথেমনা ইরম্বা লাইরিকশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি পুন্সি তেলঙ্গা (পোইট্রি এন্থোলোজি, ১৯৯১), লালবু লৈ ওইনা শান্নরিবা (পোইট্রি এন্থোলোজি, ১৯৯৫), নুঙ অসি লাইনি লৈ অসি ঈনি (পোইট্রি ১৯৯৯), হনুবগী ঈশিং পূন (পোইট্রি ২০০২), অতিথি উচেক (চিলদ্রেন্স ষ্টোরিজ, ২০০৩), খুঙ্গংগী চিঠি (পোইট্রি, ২০০৫), তেঞ্জৈ অমসুং ঙা মমিৎ (চিলদ্রেন্স ষ্টোরিজ, ২০০৫), চীংশাং নাপোম কপ্পি (পোইট্রি, ২০০৯), পাৎপানগী থোইবী (পোইট্রি, ২০০৯), য়েনবা লাবা খোংলক্লে (চিলদ্রেন্স ষ্টোরিজ, ২০১১), বসন্ত ওইগেরা নাকেন্থা ওইগেরা (পোইট্রি, ২০১১), খোরিফাবা (নোভেল, ২০১৩) অমদি শৈরেংগী খুঙ্গং (পোইট্রি, ২০১৪) অসিনচিংবনি। রঘু লৈশাংথেম মণিপুর ষ্টেট লাইব্রেরী প্লান্নিং বোর্দকী মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী এদিটরসু ওইরম্মী। লোয়নননা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী সেক্রেটরিসু ওইরম্মী হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ ইষ্ট রাইটর্স ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি বিজয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফোরম অসিগী মেম্বর ওইরম্বা রঘু লৈশাংথেমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা নোর্থ ইষ্ট রাইটর্স ফোরমনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। অইবা অসি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ অমসুং সাহিত্য একাদেমী বাল পুরুস্কার য়াওনা তোঙান তোঙানবা লিটরেরি এৱার্দ ফংখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবা অসি খুন্নাই অসিগী অচৌবা মাঙজবনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা নোর্থ ইষ্ট রাইটর্স ফোরমগী মেম্বরশিংনা থৌনিজবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোজেল লূপ (ইমাখোল)গী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইমাখোলগী লাইফ মেম্বর ওইবীরম্বা লমদমসিগী শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী রঘু লৈশাংথেমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রগী অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন্দা লৈবা য়ুমদা প্রসিদেন্ট মশামক্লা মীফম মপু ওইদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। সাহিত্য একাদেমী অমসুং বাল পুরুস্কার এৱার্দশিং ফংবীখ্রবা অইবা অসিনা লূপ অসিগী অমদি মণিপুরী খোরিরোলগীদমক লৌরম্বা থৌদাংবু মীফম অদুনা নৌহৌননা নীংশিংমিন্নখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা অরোইবা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়নননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

শৈহেক শৈরেং শৈপাল শেমগৎ লূপ (শৈপাল)গী সেক্রেটরি কে সী গীতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শৈপালগী লূপলোয় অমা ওইবীরম্বগা লোয়নননা লূপ অসিগী কুমজা ২০১৮-২০২০গী এদিটরিএল বোর্দ মেম্বর ওইবীদুনা শৈপালগী চাউখৎ থৌরম কয়াদা শরুক য়াবীরম্বা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ অমসুং বাল সাহিত্য এৱার্দ ফংখ্রবা শক্লাইরবা অইবা লৈশাংথেম রঘুনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা শৈপালগী প্রসিদেন্ট ওইরবীরম্বা ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা লুচিংদুনা শৈপালগী লূপলোয়শিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। শক্লাইরবা অইবা অসিগী থৱায়না মপুগী খুয়াখাদা ঈংনা চিক্লা য়াতারুবা ওইরসনু হায়না থৌনিজবগা লোয়নননা শৈপালগী লূপলোয়শিংনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজ রি হায়রি।

অশৈলূপ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দিলিপ ময়েংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শক্লাইরবা অইবা রঘু লৈশাংথেমনা লৈখিদবদা অশৈলূপনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা অইবা রঘু লৈশাংথেম অশৈলূপকী মেম্বর অমা ওইরম্বদা নত্তনা শৈরেং-লাইরিক অমদি অঙাংগী লিটরেচরগী লাইরিক কয়া ইবীরমখি। মহাক্লা মণিপুরী লিটরেচরগী লমদা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ অমদি বাল সাহিত্য পুরুস্কার এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রবনি। মসিদসু নত্তনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা লিটরেরি ওর্গনাইজেসন কয়ানসু এৱার্দ কয়া পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রবা অইবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।